ꯏꯔꯥꯏ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯱꯴, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯷꯲ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, সেপ্টেম্বর ১৪, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ১৭২শুবা মশীং

# কুকি ব্লেক দেগী থৌরম

## মীচম মীয়াম ৯০০ রোম হাৎখিবগী ৱায়েল পীখ্রব্রা?

**কুমজা ১৯৯২গী** মে থাদগীনা জুন থা ফাওবগী মনুংদা মণিপুরদা খুন্দারিবা কুকি ফুরুপপু লৈমায় অসিদগী মুথৎলগে হায়বগী মতাগুম নুপী-অঙাং খাক্তনা এন এস সী এন (আই-এম)গী কাদরশিংনা হাৎতোকপীখি। তমথীরবা থৌদোকশিং অদুদা মীওই ৯০০ হেন্না শিখি, খুল ৩০০ খুন্তাক লানশিখি। য়ূম ৩,৫০০ রোম মৈ থাদুনা তাঙ্গোয় ওলহনখি। থৌদোক অদু কুকিশিংনদি আই-এমনা চথুবা কুকি ফুরুপ মুথৎননবা লালনি হায়না লৌনখি। তমথীরবা থৌদোক অদুনা মণিপুরদা সোসিও, ইকোনোমিকতা চাওনা অহোংবা পুরকখি। চানিংঙাই-থক্লিংঙাই লৈতবগী অৱাবা হেনগৎলক্তুনা চাকনি-ফিনিবা মীগী মশীং ৱাংখৎলকখি। চীংগী লমদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎপা নীংথিনা ঙমহৌদবদগী শোত্থবা মফম কয়ামরুম য়াওরকখি। অঙাংশিং লাইরিক তমখিদে, শাফগদবা মফম থিরগা চেনবনা কুকি ফুরুপশিংগী অমত্তা ঙাইরবা থৌদাং ওইখি। অদুক তমথীরবা থৌদোক অদু কুকিশিংগী থম্মোয়দা ঙসি ফাওবা কাউরমগনি হায়বা থাজদে। আই-এমগী কাদরশিংনা হাৎপীখ্রবা মীচম মীয়ামশিং অদুগী মফমদা লৈ মনা অমত্তং কৎপা হায়বসিনা লাইরমলেনদা তিনখ্রবা থৱায়শিং অদুনা ঈংনা-চিক্লা পোত্থাবা ওইগনি হায়বগী ৱাখল্লোন অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা চহী খূদিংগী সেপ্টেম্বর ১৩ বু কুকিশিংগী ব্লেক দে হায়দুনা থৌরম হেক-হেক পাঙথোকই। থৌরম অসি কুকি ফুরুপশিংনা শীন্দুনা মণিপুরদা মাংজৌননা পাঙথোকপা হৌখ্রে। মপূং ওইবা থৌরম হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী য়েংলগা লন্বীদা গাড়ী চেলহন্দবা, দুকান থোঙ হাংহন্দবনচিংবা তৌরি। মসিনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা তংদু লৈতাদবা ফীভম লৈহল্লি। কুকি হায়বা ফুরুপ অসি লৈবাক অহুমদা মরুওইনা খুন্দাই। লৈবাকশিং অদুদি ম্যান্মার, বাংলাদেশ অমসুং ইন্দিয়ানি। ইন্দিয়াগী মনুংদসু কুকিশিংনা খুন্দারিবা মফম অসি মণিপুর, নাগালেন্দ, অসাম, ত্রিপুরা, মেঘলায়া অমসুং মিজোরামনচিংবনি। অখণ্ড-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লুরকপগী মতুংইন্নদি কুকিশিংগী হৌরকফম অসি ম্যান্মারনি হায়না লৌনৈ। অদুমওইনমক মখোয়না য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মণিপুরদা খুন্দাদুনা লৈরকপনা মরম ওইরদুনা মণিপুরী মচা ওইনা হৌজিকসু লৈমিন্নরি। হায়রিবা কুকি ফুরুপশিং অসিগী মনুং চল্লিবা মীয়াম্বু কুমজা ১৯৯০ অদুৱাইদগী হৌদুনা এন এস সী এন (আই-এম)দা টেক্স থীহনবা হৌরকখি। টেক্স থীদবশিং লৈবা য়ারোই হায়দুনা তানবা হৌরকখি। নাগা-কুকিগী মরুওইবা ৱাথোক্তি কুকিশিংনা খুন্দারিবা মফমশিং অসি নাগাগী লমনি হায়বনি। নাগাগী লমদা অতোপ্পা কাঙলূপকী মী খুন্দাগে হায়বা তারবদি নাগাগী অয়াবা য়াওগদবনি অমসুং আই-এমদা টেক্স থীগদবনি হায়বা ৱাফম অসিদগী হৌরকখিবনি।

মণিপুরগী পুৱারীদা কাঙলূপ মশেল হাৎনা-শুনবগী থৌদোক অসি অহুম্লক থোকখ্রে হায়না লৌবা য়াই। থৌদোকশিং অদুদি কুমজা ১৯৯২ দা কুকি-নাগা, কুমজা ১৯৯৩ দা মীতৈগা মীতৈ পাঙলগা অমসুং কুমজা ১৯৯৭ তা কুকি-পাইতেগী কাঙলূপকী ওইবা ঈৱাং অসিনি। কুকি-পাইতেগী মরক্তা থোকখিবা কাঙলূপকী ঈৱাং অদুগী ঈৱাই-ঈনিল হৌজিকসু লৈরি। মখোয় মশেল হৌমিন-কামিন্নরকপনি, অমগা-অমগা লোল ফাওনৈ হায়জরগসু লৈবাক্কী ওইবা অরুবা ৱাফম অমা লাকপদদি মখোয়-মখোয়গী ওইবা তোঙানবা ৱাখল্লোনশিং থোরকই। মীতৈ অমসুং মীতৈ পাঙলশিংগী মরক্তা থোকখিবা হাৎন-শুনবগী থৌদোক অদু চহী খূদিংগী নীংশিংবা ওইনা মীতৈ পাঙলশিংনা মে ৩ দা থৌরম হেক-হেক পাঙথোকই। মতৌ অসুম্না নাগা-কুকিগী মরক্তা থোকখিবা তমথীরবা হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিং অদু নীংশিংবা ওইনা কুকি ফুরুপশিংনা সেপ্টেম্বর ১৩ দা কুকি ব্লেক দে হায়দুনা থৌরম পাঙথোকপনি। থৌরমশিং অসি পাঙথোকপগী কান্নবসু লৈ, মাঙজবসু লৈ। কান্নবনা থোকখিবা তমথীরবা থৌদোকশিং অদু অমুক হল্লকহন্দনবা মণিপুর হায়বা ষ্টেট অসি ঐখোয় পূম্নমক্কীনি, কুকিশিংগী খক্তা নত্তে, নাগাশিং খক্তগী নত্তে নৎত্রগা মীতৈশিং খক্তগী নত্তে হায়বসি খঙমিন্নবগী তাঞ্জা অমনি। মালেমগী পুৱারীদা হঙ্গৎনা য়েংবদা কাঙলূপ্তা পোলিটিক্স তৌবা হায়বসি কৈদৌঙৈদসু পজেং ফিরাল থেৎখিদে। পান নাগা, পান কুকি নৎত্রগা পান মিজো হায়বসি কৈদৌঙৈদসু মঙফাওনরোইদবা মঙলান অমনি। মখোয়গুম্বা পীকখ্রবা ফুরুপশিংদি তোকখিসি, মতিক ময়াই লৈখ্রবা অমদি মপাঙ্গলদা মালেমদা লম্বা লৈত্রবা হিটলরনা চাংয়েং ওইনা তৌখ্রবনি। চাংয়েং অদুদা মায়থীখ্রবা মতুংসিদা মণিপুরদা খূৎলায় পায়বা অপীকপা, হিটলরগা য়েংনরুবদা মপাঙ্গল লৈতবা কাঙবুনা পান নাগা নৎত্রগা পান কুকিগী ৱাফম পুশিন্দুনা চাংয়েংনবা হোৎনরি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, নাগা-কুকিগী কাঙলূপকী ঈৱাং অদুগী হৌরকফম এন এস সী এন (আই-এম)নি। আই-এমনা কুকিগী মীচম মীয়াম ৯০০ হেন্না হাৎখি অমসুং খুল ৩০০ থাদোক্লখি হায়বসি পুৱারীগী লাতমদা লেংদনা লৈহৌরগদবা থৌদোকনি। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন অমদি সী আর পি সীনা মীহাৎপশিং অদুগী মথক্তা থিগৎপা অমসুং মরাল লৈরবশিংগী মথক্তা চৈরাক পীবা হায়বসি তঙাইফদবা ওইগদবনি। মসিদা সিজ ফায়র, পিছ টোক নৎত্রগা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন তৌনরি হায়বনচিংবনা ঙাকপীবা য়াবা মরাল ওইদে হায়জনিংই।

••• এদিটরদা থারকপা চিঠি •••

## মরী লৈনবশিংগী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ষ্টেট** খুদিংমক্তা লৈরিবা পেন্সনর/ফেমিলি পেন্সনরশিংগীদা ওইবা ফিক্স মেদিকেল এলাৱেন্স লুপা ৩০০ পীরম্বদগী লুপা ৫০০দা পীনবা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী Order No. 4/25/2008-P&PW(D) dated the 19th November 2014গী মতুং ইন্না পেন্সনর/ফেমিলি পেন্সনর খুদিংমক ফংনখ্রে। মণিপুর ষ্টেটকীদি ঙসি ফাওবদা খন্নবিদ্রি। হৌখিবা লৈঙাক্কী মতমদা ভারত পেন্সনরস সমাজ, মণিপুরনা ফিক্স মেদিকেল এলাৱেন্স লুপা ৩০০দগী লুপা ৫০০দা হেনগৎখিবা অদু পীবিনবা চীফ মিনিষ্টরদা Chief Minister Sectt. R.R. No. 1046 dated 12/1/2015 দা পীশিনখিবা অদু করি অমত্তা খন্নবীদনা লৈঙাক লোইশিনখি। অনৌবা লৈঙাক অমুক লাকপদা চে অমা Chief Minister Sectt. R.R. No. 399 dated 25/4/2017 তা পীশিনখিবা অদুসু খন্নবিদবদগী অমুক হন্না Chief Minister Sectt. No. R.R. 26 dated 5/4/2018 দা রিমাইন্দর ওইনা পীশিনখিবা অদুসু ঙসি ফাওবদা ওর্দর অমত্তা থোক্তনা লৈরি। গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়ীশিংগীদি মেদিকেল রি-এম্বর্সমেন্ট য়াবনিনা মানা মানা নারিবা লায়না অদুগী শেনফম লুপা লাক্ষ-লাক্ষ তারবসু কায়নরি। পেন্সনর/ফেমিলি পেন্সনরশিংগী ওইবা ফিক্স মেদিকেল এলাৱেন্স লুপা ৩০০দগী লুপা ৫০০দা হেনগৎপা হায়বদি লুপা ২০০ খক ওইবসি ঙসি ফাওবা খন্নবিদ্রি। নোংমা নোংমগী লায়না মখল কয়া গ্যাসষ্টিক ত্রোবলস, ব্লদ প্রেসর, দাইবেটিস, হার্ট দিজিজ, জি টি আই ইনফেক্সন এন্দ প্রোসত্রেটনচিংবা কয়া পেন্সনর/ফেমিলি পেন্সনরশিংনা মায়োক্লরিবা কয়া অসিবু য়েংবীদুনা ফিক্স মেদিকেল এলাৱেন্স পীবীনবা ভারত পেন্সনরস সমাজ, মণিপুরগী মায়কৈদগী লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংগী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি।

*অদোমগী - নাওরেম অচৌ, ফাইনান্স সেক্রেটরি*
*ভারত পেন্সনরস সমাজ, মণিপুর*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৯

১। মৈতৈগী কাঙজৈরোন্দা শগোল কাঙজৈ শান্নবা নিংথৌ কাংবগী হাক্তক্তা হৌখি হায়রি।
(ক) অহানবদুদা খূৎ কয়ানা মীচঙ অমা ওইখিবগে?
(খ) কাঙজৈরোয়না কোকয়েৎ য়েৎপসি করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তা হৌদোকখিবগে?
২। "কপ্তুনা কান্নরোই/কনাসু নুংশিরোই/মদো কনায় খুজিন্নোদো।" পরেংশিং অসি মহাকবি হিজম অঙাংহলগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। 'চিংনাং খোংনাংথাবা' হায়বসি অশেংবা ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা লীলানি। দ্রামা লাইরিকসিগী অইবা অদু কনানো?
৪। "ফূদদি, মানা পিবানি হায়দনা পংতৌ তৌবা য়াবরা? ফূনি, ঐদি ফূদৌরিবনি।" ৱাফমসি এম কে বিনোদিনীগী 'বড় সাহেব ওংবী সনাতোম্বী' উপন্যাসতা সনাতোম্বীনা খুল্লিবনি। কনাদনো মানা খুল্লিবসি ?
৫। লিও টোলষ্টোইগী 'কোসাক' পু মণিপুরীদা হন্দোকপা হন্দোক্লোয়দু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ৱার্ক কলচর : গভর্ণমেন্টনা হায় মীয়ামদা, মীয়াম্না হায় গভর্ণমেন্টতা

অওনবা মালেম

## সৌবাম তোম্বা লুৱাং

**লমদমসিগী** মীয়ামসি শুবা নোম্বা য়াম্না ৱাৎলি। তৌবা য়াবা থবক য়াম্না লৈরবসু শুনিংদে-নোম্নিংদে। ৱাফমসি অয়াম্বা মতমদা মিনিষ্টরশিং অমদি লুচিংবা কয়ানা হায়বা মীয়াম্না তোয়না তানরি। লমদমসিদা শুবা য়াবা থবকসি করি করিনো হায়দুনা হেক হংজিল্লুরবদি হায়রিবা মখোয়সু সিনি-সিনি হায়বা হেক্তা ৱাগনি। মখোয়খক্তসু নত্তে লৈরিবা মীয়ামসিসু হায়বা ৱাগনি। থবক শুগদবা মীওইশিংসু করি থবক্লো শুগদবসে হায়বা হেক্তা ঙল্লোই। অদুবু মীয়ামসি খঙদি-খঙলিবনি শুনবা থবক্তি য়াম্না মরাং কায়না লৈগনি হায়বসি। অদুবু মতৌ করম্না করি তৌরগা করি থবক শুগদবনো হায়বসি খঙদবগী ৱাখক্তনি। মী য়াম্না তিনবা কৈথেল ময়ায়নি হায়রগা থবক য়াম্না ফংলনি থবক শুরুরগে হায়দুনা হেক্তা থোক্লুবা য়াবা নত্তে। চীংখোং অমদা চীংথক অমদা লমহাং অমদা নৎত্রগা লৌবুক অমদা চৎলুরগা থবক শুনিংবা, শুবা নোম্বা কনবা মীনি হায়রগা থবক শুবা হেক্তা ফংগদবসু নত্তে। অদু ওইরবদি মণিপুর হায়বা ষ্টেট অসিগী করম্বা মফমদা চৎলগা করি থবক্লো শুবা ফংগদবগে? মসিগী মরম অমা মীয়ামদা শুগায়না তাকপীগদবা মী নৎত্রগা দিপার্টমেন্ট অমদি তঙাইফদনা মথৌ তাদবরা? মীওই খরনা নৎত্রগা দিপার্টমেন্ট অমনা তাকপীফম থোক্তে মশা-মশানা পামজবা/ফৈ হায়না খঞ্জবা থবক থিদুনা, হুমদুনা শুজগদবনি হায়রকপা তারবদি মীওই কয়ানা মশা-মশাগী ইঙ্খোলদা, লৌবুক্তা থবক শুজরিবনিনা লমদমসি শুবা নোম্বা ৱাৎলি হায়বসি চুনবা ৱাফম ওইরিবরা? মসিখক্তা নত্তে অতৈ শিনফমদা লৈবা মীওই কয়ানা ময়ুমদা নৎত্রগা দুকান্দা য়াল্লবসু য়ামদ্রবসু পোত্থোক পুথোকপা থবক কয়া শুরি। মসিবু কৌই মশানা মশাবু শেন্থোক লৈবা থবক পীজবা হায়বদু। মসিদবু করম্না শুবা নোম্বা কন্দে হায়গনি? অদুম ওইনমক ৱার্ক কলচর লৈতে হায়বীরিবনি।

ৱার্ক কলচর লৈবা হায়বসি মীয়ামখক্তনা হৌ-হৌ চোংলগা মায় পাক্কনি হায়বা থাজদে। লৈঙাক্লিবা গভর্ণমেন্ট য়াওদনা মায় পাক্লোই। খুবাক খুবগুম্বনি খূৎ অনীগী চপ মান্নবা থৌদাং য়াওদবা য়াদবা। নাম্মতা খুবা খুবাক মখোল হৌদে। মখোল থোক্তবতা নত্তনা য়েংবদা নোক্লিংবা ফাওগনি। উবদা নোক্লিংবা অমদি মায় পাক্লোইদবা থবক কনানবু তৌনিংগনি। অতোপ্পদসু তৌ-তৌ নৎত্রগা তৌদে-তৌদে হায়দুন থিন্দুনা তাকপগী মহয় ফংগনি হায়বা থাজবা ৱাৎলি। হৌজিক লৈরিবা মওং অসিদদি ৱার্ক কলচর লৈতবসি মীয়াম তারে। য়ামখ্রবা মীয়াম লোয়নমকপুদি নত্তে।

ৱার্ক কলচর লৈতে হায়রিবা মীয়ামসিদা ৱার্ক কলচর লৈতবসি নখোয়খক্তরা নৎত্রগা গভর্ণমেন্টতি য়াওদবরা হায়দুনা ইচম-চম্না হংলুবদা করি পাউখুম পীরকপা য়াই? লৈসু হায়রক্কনি অদুগা লৈতেসু হায়রক্কনি। অদুবু ৱার্ক কলচর য়াম্না লৈ হায়রকপদগীদি লৈতে হায়বা মীচম মীয়ামগী মশিংনা খরা য়াম্না হেনগদবা মাল্লি। মতাং অসিদা গভর্ণমেন্ট হায়রিবসি অকক্লবা অমবু নত্তে মমাঙথক্তা লৈঙাকখিবা, লৈঙাক্লিবা ময়াম অসি ইপুন-পুল্লে। মীচম মীয়াম্না ৱার্ক কলচর লৈ হায়রগা হেক্তা চুম্বা অদুগা লৈতে হায়রগনা হেক্তা লানবা হায়বদুদি ওইগদবা নত্তে। মীয়ামসি মসিগী ওথোরিটি হায়বদু নত্তে। অদুবু করিসু পাঙ্গল লৈজদবা মীচম মীয়াম অসিননি মীঁখলদা ভোট থাদরগা অপাম্বা মীহুৎ (এম এল এ) খঞ্জরগা চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টরশিং ওইরক্লিবসিনি। ময়ামসি (লোয়নমক নত্তে) ৱার্ক কলচর লৈতে হায়দুনা গভর্ণমেন্টনা হায়রগদি হেক্তা অশেংবদু ওইগদ্রা? করম্বা পাদমদা ওল্লগা লৈঙাক্কী ওইবা মওংদা হায়রিবরা নৎত্রগা ৱাফমসি হায়রিবা লৈঙাকপদুগী ওইবা মশাগী ওইবা ৱাফমলা হায়বদুসু খঙনিংবা মীচম-মীয়াম য়াম্না লৈরমগনি। দেমোক্রেসিনিনা ফ্রিদম ওফ স্পিচ লৈবা লমনিনা মীচম-মীয়ামসু মপুক্লিংদা ফারকপা ৱাফম ফোঙদোক্লরি। মদুগী মনুংদা গভর্ণমেন্টতি (অকক্লবা/অপান্নবা লৈতে) ৱার্ক কলচর লৈব্রা নৎত্রগা ৱার্ক কলচর লৈতে হায়রিবা মীচম-মীয়ামসিগুম্না মখোয়সু লৈতে হায়বা য়াব্রা? অদুনদি মীচম-মীয়াম অমদি গভর্ণমেন্ট অনীমক অমনা অমদা ৱার্ক কলচর লৈতে হায়বসি হায়নদুনা লৈরে। কনানা চুম্বনো হায়বদুমদি খনে দাকপদা লুরে। অদুবু অনীসিগী মনুংদা অচুম্বা অমা অরানবা অমদি শোয়দনা য়াওরল্লোইদ্রা নৎত্রগা অনীমক করিনোমা ইতৌ তৌনা লৈরবজাৎলা?

মীয়াম্না ৱার্ক কলচর লৈবা হায়বসি মতম-মতমগী পাল্লিবা লৈঙাক অদুগী মখা য়াম্না পোল্লি। মখোয় য়াওদনা মীয়াম্না ৱার্ক কলচর লৈবা য়াগদবা নত্তে। মায়কৈ অনীমক্লা পুন্না মশা-মশাগী থবক ৱার্ক কলচর লৈনা তৌরবতদা ৱার্ক কলচর লৈগনি। মায়কৈ অনীগী মনুংদা মায়কৈ অমনা ৱার্ক কলচর লৈরক্তবদা থবক মায় পাক্লোই। খুবাক খুবদা মখোল থোক্তবা অদুগা পাঞ্জকনি। লৈঙাক্ল া ৱার্ক কলচর লৈনা মীয়ামগী থবক হেক তৌরকপদা মীচম-মীয়ামসু ৱার্ক কলচর লৈনা থবক তৌরক্কনি। তৌরক্তবা শুক্কয়া-য়ারোই। রুলগী মতুংইন্না চৈ থারক্কনি ৱার্ক কলচর লৈবা লৈঙাক ওইরগদি। মদুদতা মীচম-মীয়ামদো মরিল চুম্না ৱার্ক কলচর লৈনা মথৌ তৌরক্কনি। মীচম-মীয়াম্নদি লৈঙাক্তা ৱার্ক কলচর লৈতে হায়দুনা চৈ থারুবা মতিক নত্তে লৈঙাকপা নত্তবনিনা। চৈ থারুবদি লায়রদুনা চিন্না ৱাহৈ ওইনফাওবা হায়রুবা য়াবা নত্তে। চৈরাক ফংনিংঙাই ওইরিবনি করিগুম্বা খরা ফিংবা লৈঙাকপকা য়াওরল্লবদি। অদুবু মীয়াম্না লৈঙাকপশিংবু চৈরাক পীদুনা য়াদে হায়বা পারা অমা তম্বীবা ঙম্বা হায়ববু মীখলগী মতম অসিখক্তদনি। ৱার্ক কলচর লৈবা হায়বসিদা শিনফম অমা/অনীখক্তংবু কোনশিনবা য়াবা নত্তে। য়াম্না পাক চাউখ্রবা য়ামখ্রবা শিনফম কয়ানা পুনশিল্লগা ওইগদৌরিবনি। থবক শুগদৌরিবা মীয়ামদু মহৈ হৈরবরা মতিক চানা মহয় চাবা ঙম্নবা অদুগা ৱার্ক কলচর লৈনা থবক শুবা ঙম্নবা? হংলকপা য়াই লৈঙাক্লা মহৈ-মশিনদি মীয়াম মশা-মশানা অপাম্বা চানজবা খঞ্জরগা তমজগদবনি। লৈঙাক্লা হোংবা, চাউবদা নঙনা শি তম্মু নঙনা শি তম্মু হায়না শিনফম খায়দোক্তুনা পীগদবমক্তি নত্তে। অদুম্নমক্তি ওইরবদা তোঙান তোঙানবা শিনফম কয়া হৈননবা মহৈ তম্ফম নৎত্রগা ট্রেনিং সেন্টর হাংদোকপা মথৌ য়াম্না তাই। মসি নৎত্রগদি মহৈ হৈরোই। হাংদোল্লগসু মহৈ-তাকপীবদা পরম চুম্না তাকপীদ্রগদি মশানা-মশাবু থবক পীজগদবা মীয়ামদু মহৈ মতিক চানা হৈবা ঙল্লোই। মহৈ হৈত্রবা মীদুনা করম্না ৱার্ক কলচর লৈনা থবক তৌরক্কদৌরিবনো? ঐখোয়না তোয়না তানরবা স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম হায়বদু মশানা মশাবু ৱার্ক কলচর লৈনা থবক তৌরক্লবা লৌখৎপা প্রোগ্রাম অমনি। ট্রেনিং সেন্টরদা অমদি স্কিল দিভলপমেন্টকী থবকশিং লৌখৎপদা লৈঙাক্লা ৱার্ক কলচর লৈনা থবক লৌখৎলক্ত্রবদি মীয়াম্নসু ৱার্ক কলচর লৈনা থবক শুরক্লোই।

মহৈ মতিক চানা হৈরগসু মখুৎ-মশা মতিক চানা হৈরবসু শেন্থোক লৈবা থবক শুফম, পোত্থোক পুথোক্কদবা ফেক্টরি কম্পেনিনচিংবা লৈঙাক্লা হাংদোক্ত্রগদি কদায়দা থবক শুরুগনি। হৈরুরবা মহৈশিং অদু মফম চানা শীজিন্নফম খঙদনা কাঙখ-থাং তাদুনা লৈগদৌরিবনি, লৈসু লৈরিবনি, মখা তানসু লৈগনি। মণিপুরদা মখল মখা কয়াগী পোত্থোক পুথোকপা ফেক্টরি, কম্পেনি, ফার্মনচিংবা লৈতবনা মীয়াম থবক শুফম লৈতে গভর্ণমেন্টকী তলব চাবা থবক নত্তনা । কনাগুম্বা মীওইশিংনা মপান্দা থবক তৌবা চৎলি। মদুনা পীরিবা পাউজেলদি মণিপুরদা থবক শুফম লৈতে। অদুনা মপান লমদা থবক শুফম ফেক্টরি, কম্পেনি, ফার্মনচিংবা মরাং কায়না লৈ হায়বনি। মপান চৎতবা মীওইশিং উরগা লৈঙাক্লা মণিপুর মীয়ামসি ৱার্ক কলচর লৈতে হায়বনি। করিগুম্বা মতমদা লৈঙাক্লা নৎত্রগা লৈঙাকপশিংনা মীয়াম তীনবা মফমদা হায়- "মণিপুর মচাশিং মহৈ হৈবা, মখুৎ-মশা য়াম্না হৈবা মীওইশিং মপান লমদা থবক তৌবা/শুবা থেংনৈ। মখোয়শিংদু মণিপুরদা হল্লক্তুনা থবক তৌরবদি মণিপুরসে য়াম্না চাউখৎকনি।" মীওইশিংদু মণিপুরদা হল্লক্লবদি কদায়দা থবক শুগনি, শেন্থোক করম্না লৈগনি। অৱাফমদা তাবু তাগনি। পুম্নমকসিদগী খঙবা-উবা ঙল্লিবদি মণিপুরদা মণিপুরগী লৈহাওগা, ঈশিং-নুংশিৎকা চানবা ফেক্টরি, কম্পেনি, ফার্মনচিংবা হাংদোকপা মথৌ তারে। মদু নত্তনদি ৱার্ক কলচর লৈনা মথৌ তৌবা কনানসু ঙল্লোই। থবক শুনিংদবা, লেম্না চানিংবা, অতনবা মীয়াম ঙাক্তা উবা ফংগনি। মদু উরগনি লৈঙাক্লা ৱার্ক কলচর লৈতে হেক্তা হায়রিবসি। গভর্ণমেন্টকী তলব চাবা থবক্তমক তান্নদুনা লৈ হায়রিবসি। মদুদা মীয়ামসি লান্দে হায়নিংই। তান্নবা তাবনি গভর্ণমেন্টকী তলব চাবা থবক করিনা হায়ববু লন্নাই ফেক্টরিগী, কম্পেনিগী, লন্নাই ফার্মশিংগী থবক তৌগে হায়বদা মণিপুরদা লৈশু লৈতনা। অরৈবা, অফংবদা লৌগে হায়দুনা মীয়াম হুপ্না তান্নবা তাবনি।

গভর্ণমেন্টনা লন্নাই ফেক্টরি, কম্পেনি, ফার্মনচিংবা হাংগদ্রা। লন্নাই মীওইশিংনা হাংজগদবনি। অদুবু হাংজবা য়ানবা চুনবা রুল, লম্বী কয়াদি গভর্ণমেন্টনা শেম্বা নত্তনা কনানসু শেম্লুবা য়াবা/ঙম্বা নত্তে। মদু শেম্লবা মতুংদা প্রাইভেট কম্পেনিশিং, লন্নাই শেল থাদনিংবা মীওইশিং লাক্লিংনবা চুনবা থবক লৌখৎপা তাই। পাম্মী হায়দুনসু মণিপুরগী লৈহাওগা চানবা, ঈশিং-নুংশিৎকা চুনবা কম্পেনি, ফেক্টরি, ফার্ম লিংখৎহন্দ্রবদি মীয়ামদা মহয় ফংবা ঙল্লোই। মীয়াম্না থবক শুফম লৈত্রিমখৈদি ৱার্ক কলচর লৈরোই অদুগা লমদম অসিসু চাউখৎপা ঙল্লোই। থবক শুনিংদবা অতনবা, শুদনা চানিংবা লমদম অমা ওইদুনা লৈগনি অদুগা অমুকসু চৈবীগনি ৱার্ক কলচর লৈতে হায়দুনা।।◂◂

# ৱাহন্থোকসিমত্তংদি ঙাক্তুনা থমজনীংই

মতম মতমগী ৱাফম

## সেঞ্জম দেবেন

**মণিপুর** করি ওইরক্কদৌরি হায়বসি হৌজিক চপ-চানা হংবা য়াবা ৱাহং অমা ওইশিল্লক্লে। শন্দ্রেম্বী-চাইশ্রাগী ৱারীদা, ইমাগী ইবেম্মা ইমাদি খ্বাঙ য়ৌরে, ইমাদি থবাক য়ৌরে, ইমাদি কোক য়ৌরে হায়বদুগা চপ মান্নরক্কদৌরি। মণিপুরদা হৌজিক সিমা ফরি হায়বা হীরমসি ইরৈ লৈশিল্লক্তবগুম তৌরি। মায়কৈ খুদিংদা নীংবা থুংদবগী, নীংবা কায়বগী অমদি য়ানদবা অমসুং লৈখায় তানদবগী ফীভম ঙাক্তনা পুঙকোয় কোয়শিল্লক্লি। নোংম-নোংমগী য়াইফরকপা অমদি নুংঙাইরকপগী পাউ, শেমগৎ-শাগৎলকপা অমসুং অহোংবা পুরকপগী ঈ-পাউশিংদি শুক্তা তাবা ফংজিল্লক্তে। নুমিৎ খুদিংগী তেকখ্রেগা-কায়খ্রেগা, য়াদ্রেগা, নীংঙাই শংদানবা হেঙ্গৎলকপগী, ফা-পূনখিবগী, মাঙখিবা-শিখিবা অমদি নাতৈ হুক্তবা থৌদোক ঙাক্তা থোকপগী ঈ-পাউশিংতনা অয়ূক্কী য়েন্দা অহানবদগী হৌনা নাকোংসি শীংজা য়ৈহন্দুনা লৈরবদি ষ্টেটসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমকসি সাইকিয়াত্রিক (ৱাখল লায়না) চেনবা মীওইশিং ঙাক্তা হায়বদুদি মশানা ওইরকপা তাবনি। মায়কৈ খুদিংমক্তা অকায়-অতোয়শিং থোকপা য়াবগী ফীভমশিং, মূক্লবা অমদি ফি শেম্নগদবগী থৌদৌশিং ঙাক্তনা নুমিৎ খুদিংগী ৱাখলসিদা মমি চাউনা-চাউনা তাহল্লক্লবদি, মীওইবগী ৱাখল-হকচাংশিংদা করি ফগৎলকপা হৌনরিবগে? মশানা ৱাখল হন্থনরকপা, নীংহন্নরকপা অমদি ৱাখল লায়নাশিং পোল্লক্তনীংঙাইগী মরমশিং লৈরোই।

নাগালেন্দগী ৱাফমসিনা মরোল অমা, চহী কয়ানো ৱাফমসিনা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংবু ৱাখল লৈতাদনা লৈহল্লক্লিবসি? নীংকোক-নীংকোক, ঙাইহাক লৈতনা বি পি মচিৎ-মচিৎ ৱাংখৎহন্দুনা, মীশি-মীনা ফাওবা কয়ামরুম য়াওহনখ্রে। হৌজিকসু অমুক্কা নীংদোল পোম্বগী চাং হেঙ্গৎলক্লি। হৌজিক অমুক মৈবুল চমখৎনদুনা য়ূমথংনবগী শাইজিনশিংদা মৈ চুনবগী থৌদৌশিং থোক্লবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা চাউথ্রোক চাউনা শীল্লিবসি মীপূম খুদিংমক্লা খঙনরবনি। তশেংনমক্তি থৌদৌসি উখ্রুলদা পোকপা, মণিপুর মচা মুইভা হায়বা মীশকসিনা নাগালেন্দদা চঙশিন্দুনা অহৈ-অপা শাদুনা, মানা শিংলবনি হায়বদু উৎনীংবা অমসুং অপংবা নাগালেন্দদুদা মানা লুচিংবা ওইনীংলুবদগী থোক্লিবা থৌদৌনি। খুরক্কী ঈনা লাই শারুবনি, মুইভা হায়বদু অফবা মণিপুর মচাদি নত্তে, মমা য়োল্লগা চাবা ঙম্বা মীশক অমনি। লাইবক থিবা মীৎকুপ অমদা মণিপুর ইমানা মহাকপু মচা ওইনা ফংজরুবনি। লাইরেনশিংগী মরক্তা হাঙ্কোক অমা য়াওই হায়নবদুনি। মখোয়না তৌবগী পাউ তাবদগী য়ারক্কনি তৌবা মতাগুম, ম্যান্মারগা লোন্নবা মণিপুরগী খা থংবা মায়কৈদসু অমুক্কা ম্যান্মাররোমদগী লম হেঞ্জিন্না খায়নফম শম্বল মখোঙ য়ুংশিল্লকপগী ৱাথোক থোক্লিবসিনি। সিসু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী খূৎ য়াওরমগদবগুম তৌশিল্লক্লি। তশেংনা হায়রবদা, মফমদুগী খুঞ্জা অহল-লমনশিং ফাওবা য়াওনা য়েংমিন্নরুরবা, ম্যান্মারনা লম হেঞ্জিল্লক্লিবা মফমদুবু, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কংয়েৎ হেক্তা য়েত্তুনা, হান্নগীদুনি মণিপুরগী লম মচেৎ অমা ফাওবা হেঞ্জল্লক্তে হায়বা হেক্তা ঙম্মী। হৌজিকসু ৱাফমসি অদুম্মক হায়দুনা লৈরি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মশাগী লমবু মীনা হেঞ্জিন্না লৌশিল্লকখ্রে হায়বদা, মশাদা নুংনাংবা মচেৎ অমা ফাওবা ফাওদ্রিবসি অমসুং থুক লাউবা অমত্তসু পোকত্রিবসি, মসিগী মরম অমা শোয়দনা লৈরম্ফম থোকই। অসিগুম্বা কাঙবুসিনা লৈপাক ঙাক্লিবনি হায়দুনা ইন্দিয়াসি ঙাক্লিবসিনা অমুক কমদৌরক্কদৌরিবা হায়বা ঙমদে। নৎত্রগা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হায়রিবসি, মখোয়দি ঐখোয়দৌনা লমখৈদা লম পংলীক্তা লীকশিনবা কাঙবু নত্তে হায়নীংলিবরা, ৱাফমসি লৈখায় তাবা ঙমদ্রি। ফীভমসি ওইরগনা করিগী কাশ্মীরদা, পাকিষ্টানগা তাইনবা চীংদোলনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অদুক য়াম্না ৱানা, শেল থাদদুনা, লেবর থাদদুনা অমদি সিফাই থাজিন্দুনা, করিগী ঙাক-শেলহন্দুনা কন্নবা হোৎনরিবা? অদুগা, হন্দক মণিপুরগী খা মায়কৈরোমদা ম্যান্মারশিংনা লম হেন্না খোপচিল্লকপগী থৌদৌসিদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা করিগী তাশিন্নবোই-তাশিন্নদবোই লৈথোক্লিবা? মসিমত্তংগা ম্যান্মারগী মথক্তা চাইনানা তৌবা ওইরম্লবদি কুম্মৈসি হেক্তা নুংঙাইরম্লগদৌনি। মতমদুদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হৌজিক লৈরিবা অসিগুম্না পুমশিন্নদুনা অমদি তাশিন্নদনা লৈথোকপা ঙম্লমগদ্রা? মশাগী লম পাম্মুবা খঙদবা মীরা হায়সু নত্তবা, অদুগা মণিপুরগী ঙমখৈদা ওইরগনা হেক্তমক থৌওই-ৱাওইদবগী ফীভমদা লৈথোকপা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ফীভমসিবু, তশেংনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরসি করিনি হায়না খল্লিবা জাৎনো? তশেংনমক থওইবীদ্রিবা হায়বদুরা? মনুংদা কনা-কনাগা করি-করিশিং খন্নবা-তানবা লৈদুনা, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মশাগী মরম খরা লেম্না মাঙলে অমদি মীনা হেঞ্জিন্না লৌশিনখ্রে হায়বদা থওই-ৱাওই লৌদ্রিবনো? ফীভমসি ফাওবদসু মণিপুরনবু হায়রবদি তাশিন্নরোই হায়বগী ফিরেপসি হোংদনা লৈবা হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ওইনা মাঙজরকপগী পোফমশিংদি অমত্তা ওইরক্লিংঙাই লৈত্রবরা? হৌজিক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা তশেংনা ইরমদমসিবু থওইনা লৌবীদ্রবদি, খা-ৱাং অনীমক্তা মণিপুরগী য়েলহৌমী ওইজরিবা ঐখোয় খক্তনমক থৱায় য়োল্লবসু য়োন্না ইরৈপাক্কী ঙমখৈদি কল্লম্বা তাবনি। মসিমক তৌদ্রবদি ইপা-ইপূশিং হাকথক্তগী মৈতৈশিংনা চীংলক-উরক ফাওদুনা মণিপুরগী ঙমখৈসি ঙাক্তুনা-কন্দুনা লাক্লিবদুগী ৱাহন্থোক ঐখোয়গী হাকথকসিদগী অমুক হন্না লৈহৌখিগদ্রা?... ৱাহন্থোকসিমত্তংদি ঙাক্তুনা থমজনীংই।

অফবা থৌদোক অমত্তা থোকত্রবা ইরৈপাক-ইরমদমসিদা ঙসিমক ফোং-ফোং শানা থোক্লিবা থৌদোকশিংগী মনুংদা, হান্না লীংখৎতুনা লৈরবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমদি নৌনা লীংখৎনবা হোৎনরিবা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি, অনীমক্কী ৱাথোকশিং পনবা য়াই। হৌজিক থোক্লিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক্কী মরমদা মিষ্টর এ পি পান্দে, য়ুনিভর্সিটি অসিগী খ্বাইদগী মীয়াম্না য়াদ্রবা ভি সী (ভাইস চাঞ্চেল্লর) অমা ওইরে। য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভি সী অমা ওইনা মহাক মথৌ অমত্তা নীংথিনা তৌদে হায়বসি য়ুনিভর্সিটি অসিগী এমপ্লোয়ী খুদিংমক্লা হায়নরি। হীরম খুদিংমক্তা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মীয়াম্না মহাকপু অসুক্কী মতিক য়ানীংদবা ফোঙদোকপা লৈরে। তৌইগুম্বসুং মণিপুর লৈঙাক অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক অনীমক্লা হৌজিক ফাওবদা মহাক্কী মথক্তা করিগুম্বা মখলগী এক্সন অমা ফাওবা লৌখৎপা ঙমদনা লৈরি। মসিসু অঙকপা অমনি। লৈঙাক অনীমকসিদা মহাক্কী মী মতিক চানা লৈরম্বা য়াই। ফনা ওইদুনসু মিষ্টর এ পি পান্দে, লোগী মীৎয়েংদগীদি খক নাম্থোক্তুনা চৎপা ঙম্ফম থোক্তে। অদুম ওইনমক, লোগী মীৎয়েং হায়বসিসু অচান-মীরায় অমদি মীচং-শঙ্গশিংগী মখাদি অদুম্মক পোল্লি। পূম্নমকসি লৈবনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী এ পি পান্দে, মীয়াম্না ফনা য়াদদুনসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা মহাকপু কনামতনা ত্রান্সফর তৌখিবা অমসুং মফম লৌথোকখিবনচিংবা অমত্তা তৌবদি ঙমদ্রি। অদুমকপু, উচিন-নাচিন্না হৌজিক-হৌজিক মীয়ামগী অকনবা প্রেসরদগী মিষ্টর এ পি পান্দেগী মথক্তা মীওই অনীনা শাবা ইনক্কারি কম্মিসন অমনদি থিজিনবগী থবক চথুরি। মণিপুরগী পুৱারীদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী এ পি পান্দেগী মতিংসি অদুম্মক শক্ল-শোন্নহৌরনি। অতোপ্পা ৱাফম অমনা, মমাঙগী কোংগ্রেস লৈঙাক লৈরিঙৈদগী হৌনা মণিপুরদা শাগনি হায়দুনা লাঙলক্লবা মণিপুরগী স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি, চয়েৎনবদগী ঙসি ফাওবদা শাবা হৌবা ঙমদদুনা লৈরিবসিনি। কুইশিল্লকপা হায়বসি অফবা খক ওইরক্তে। কুইশিল্লক্লবনিনা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিসি মণিপুরদা শাবগী মহুত্তা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা শানবা হোৎনরকপসু কোঙ্গায় থেংনরকপা য়াই। মমাঙগী সেসন্দা পার্লিয়ামেন্টতা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী মরমদা করি-করিনো পাস তৌনখি হায়বা ৱাফম ময়াম অমসু তানখিবা লৈখ্রবনি। মণিপুরদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অমা হাংবগী মতাংদা মফম খন্দোক-খঞ্জিন, পীথোক-পীশিন তৌরিঙৈদা ৱাথোক কয়ামরুম ওইহন্দুনা মতম কয়া হৌহনখি। মদুনা ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী থবক খুমাঙ চাওশিনবা অমত্তা ঙমদদুনা লৈরিবসিনি। হীরম খুদিংদা, মায়কৈ খুদিংমক্তা থুংদ-নমদবা, অকায়-অতোয় অমদি অৱাৎ-অপাগী থবকশিংখক্তমক মণিপুরদা থোক্লি।

অমবু ওইরসু, অমবু ওইরসু মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমসি পাল্লিবা লৈঙাকসিনা কূপ্পা অমুক্তং খন্থদুনা তাইশিন্ননবা, ফোৎচিন্নবা অমদি মেনশিন্নবা তঙাইফদনা হোৎনবগী মমি অমা তারক্লি। নৎত্রবদি সনা লৈপাক কৌনরম্বা ইরৈপাক মণিপুরসি ঙসিদি মীৎনা কূপ্পদা উৎকী মপৈ ওনখিবা য়াবগী অকিবা নক্লা লৈরক্লি। তাঞ্জাসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা মহৌশাগুম হামু-হামুনি খনে দাক্তুনা, মতম্না মরন্নাই থোকপা অমা তৌজরক্কনি হায়বগী ৱাখলদা নীংঙাইদনা লৈথোকহৌবা চুম্লোই। মায়কৈ কয়াদগী লাউনরক্লিবা খোঞ্জেলশিং চেকশিন্না নাকোং থাঙ্গৎতুনা তাশিনহৌবগী তাঞ্জা তঙাইফদনা য়ৌরক্লে। ইরৈপাক মণিপুরসি কলহৌনবা লৈঙাক্কী তঙাইফদবা মীৎয়েং অমদি খোঙথাংশিং মীৎনা কূপ্পদা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙম্নবা শেম-শাদুনা লৈহন্নীংই।

"ঐখোয়গী মণিপুর, মতম অমগী অপূনবা মণিপুরদুগী মমিদগী খোঙফম অমত্তসু কায়হন্নীংদে"।।◂◂